# মেথামফেতামাইননি চিংনবা দ্রগ কেজি ১১ ন্যু চম্পাইদগী ফাগৎখ্রে, বোর্দরগী অরোনবা লম্বীশিং থিংজিনখ্রে

মোরে, জুলাই ০৪ (এস এন এস)ঃ

ইন্দো– ম্যান্মার বোর্দরদা হুরান লান্নাদা দ্রগ লল্লোনবা খূৎপু অমা ঙসি কম্বাইন্দ ফোর্স অমনা চখায়খিবগা লোয়ননা মোরে সব দিভিজনগী মনুংচনবা ন্যু চম্পাইদগী মেথাম– ফেতামাইননি চিংনবা দ্রগ কেজি ১১ ফাগৎপা ঙমখ্রে।




মরক অসিদা ইন্দো–ম্যান্মার বোর্দরগী অরোনবা লম্বীশিং অসাম রাইফলসনা অথিংবা থমদুনা চখোক–চৎশিন তৌহনখিদ্রে।

পাউ অসিনা হায়, ৪৩ অসাম রাইফলসকী টিম অমনা মোরে পুলিস অমদি দি এস পি কম্মান্দো অমদি ও সি কম্মান্দোগী অপূনবা কাঙবু অমনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ লোম তাবা অদুৱাইদা হায়রিবা দ্রগ অসিগা কোন্ননা সিঐচ জামখোমাং মাতে (৩৩) অপোকপা জিলপাও মাতে মোরে ৱার্দ নম্বর ১ মোলহোং ভেং ফাখিবনি।

টিম অদুনা জামখোমাং মাতেনা পুরকপা বেগ অমা চেক তৌরুবদা চা মনাগী পেকেট মনুংদা নীংথিনা হাপ্লবা দ্রগ পেকেট ১১ য়াওরম্বা থেংনখি। হায়রিবা আইন্না য়াদবা দ্রগ অসিগী ভেল্যু ইন্টরনেস্নেল মার্কেটতা লুপা ক্রোর ৮ লোম ওইগনি হায়রি।

মোরেগী ইন্দো–ম্যান্মার বোর্দর টাউনদা মেথামফেতামাইন খ্বাইদগী য়াম্না ফাবা ঙমখিবা অসি হন্দক্কী অসিসু অমনি হায়রদুনা ইন্টরনেস্নেল দ্রগ স্মগ্লরশিংনা দব্লিউ ৱাই টেব্লেৎ অমসুং হেরোইন পাউদরনচিংবা হুরান পোৎয়োন তৌরম্বদগী হৌজিক্তি মেথামফেতামাইনদা মাই ওনশিল্লক– পগুম তৌরে হায়রি। হায়রিবা মেথামফেতামাইন অসি ইন্দিয়াগী কৈথেল য়ৌনবা ট্রান্সিট পোইন্ট অসি মোরেনা মফম চাবা ওইনা শীজিন্নরি অমসুং হায়রিবা দ্রগ অসি ক্রাইসটাইল মেথ, আইস হায়নসু তোঙান্না খঙনৈ হায়রি।

মেথামফেতাইমাইননি চিংনবা পোৎশক অদু নার্কোটিক দ্রগ এন্দ সাইকোট্রোফিক সবষ্টেন্স এক্টকী মখাদা ফাখিবনি অমসুং মখা তাবা আইনগী থবক লৌখৎনবগীদমক মোরে পুলিস ষ্টেসন্নদা শিন্নখে হায়রি।

অতোপ্পা অমনা ইন্দো–ম্যান্মার বোর্দরগী অরোনবা লম্বীশিং অসাম রাইফলসনা ঙসি অয়ুক্তগী অথিংবা থমদুনা চখোক চৎশিন তৌহনখিদ্রে। বোর্দর ঙাক শেল্লিবা ৪৩ অসাম রাইফলসনা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা মতম পূম্নমক্তা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈরি হায়রদুনা ওথোরাইজ ওইনা ইন্দো– ম্যান্মার ফ্রেন্দসিপ গেট (গেট নম্বর ২) অমদি ইন্দো–ম্যান্মার ফ্রেন্দসিপ আইরন ব্রিদজ (গেট নম্বর ১)দি হান্নগুম্না অদুমক চখোক চৎশিন তৌহনখি হায়রি।

ঙমখৈগী অরোনবা লম্বীশিং অসিদা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়ানা ম্যান্মারগী তমু য়াওনা অতোপ্পা মফমশিংদা লল্লোন ইতিক অমদি লনাই থবক চৎপদা অথিংবা লৈতনা অমদি মতম নাইদনা চখোক চৎশিন তৌনরম্মী। মতম খরগী মমাঙদসু হায়রিবা অরোনবা লম্বীশিং অসি অথিংবা থমখিবনি।

ঙসি অরোনবা লম্বীশিং চখোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা থমখিবা অসিনা মরম ওইরগা মোরে তম্না চঙলক্কদবা ম্যান্মারিজ কয়া অমদি হান্না অরোনবা লম্বীশিংদা চৎনিংবা মতমদা চখোক চৎশিন য়ারম্বা অদু য়াখিদ্রে। ওথোরাইজ ওইবা মোরে গেট নম্বর ২ দা মতম নাইনা শক্তাকচেনচিংবা য়েংলগা তোকন সিষ্টেমদা চঙহনবদি উখি। অদুগা ম্যান্মারগী মীওইশিংনা নুংতিগী মোরে টাউনদা গারী মচা কয়া থৌরকখিবা অদুদি ঙসি অথিংবা অসিনা মরম ওইরগা উখিদ্রে হায়নসু পাউ অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# দিষ্টর্বেন্স ফ্রি এদুকেস্নেল জোন দিমান্দ দে ঙসি টি আর আই ওদিটৌরিয়মদা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (এস এন এস)ঃ

দিমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না শীন্দুনা হয়েং ইরাই নুমিত্তা দিষ্টর্বেন্স ফ্রি এদুকেস্নেল জোন দিমান্দ দে থৌরম ইম্ফালগী চীংমৈরোংদা লৈবা ট্রাইবেল রিছার্স সেন্টর (টি আর আই) ওদিটৌরিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

দেসামগী সেক্রেটরী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগেন্দ পি বি মঙাংনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ২০০২ দা দেসাম শাফোঙলকপদগী হৌনা লমদম অমা অমদি ফুরুপ অমা চাউখৎপা হায়বসি এদুকেসন খক্তনা ঙমগনি হায়বা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা এদুকেসনগী কাঙলোন অসি ফগৎনবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি।

এদুকেসন সেক্টরবু য়েখায় থিনগায়বা য়াওদনা ইং তপ্না মহৈ মশিন তম্বা ফংনবগীদমক লমদমসিগী লৈঙাক, লালহৌবশিং য়াওনা মীয়ামদা হায়জবগা লোয়ননা এদুকেসনবু ফ্রি জোন ওইহন্নবগীদমক লাউদুনা লাক্লি। মসিগীদমক চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংগী মনুং চন্না কুমজা ২০০৮ গী জুলাই ৫ দা এদুকেসন সেক্টরদা অয়েৎ অপন য়েখায় থিনগায়বা পীবিগনু হায়না লাউবগা লোয়ননা মহৈরোয়শিং, এদুকেস্নিষ্টশিং অমদি মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দগী হৌরগা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টদিয়ম ফাওবা মীওই চা কয়ানা শরুক য়াদুনা অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখি।

মখা তানা এদুকেসন সেক্টরবু য়োকখৎপা পামজবা ৱাখল্লোন মান্নবা মহৈরোয় লূপ কয়া য়াওনা সি এস ওশিং অমদি ওঝাশিংগী লূপ কয়ানা মতেং পাংদুনা দিষ্টর্বেন্স ফ্রি এদুকেস্নেল জোন দিমান্দ দে হায়না জুলাই ৫ দা থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। হন্দক চহীগীসু হয়েং জুলাই ৫ দা থৌরম অসি পাঙথোক্লবা দেসামগা ৱাখল্লোন মান্নবা ওঝাগী লূপ অমদি মহৈরোয় লূপশিং য়াওনা কোওর্দিনেসন কম্মিটি শেমদুনা মরী লৈনবা পোষ্টর কেম্পেইন, চেজোই, ষ্ট্রিট প্লেনচিংবা চত্থদুনা লাক্লি।

কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন দিষ্টর্বেন্স ফ্রি এদুকেস্নেল জোন দিমান্দগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা সেকমাইদা অমদি কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কাংপোকপি কৈথেলদা থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (টি এস এ)গা খূৎশম্নরগা পোষ্টর কেম্পেইন অমদি লিফলেট য়েন্থোক্তুনা ফ্রি এদুকেসন জোনগী পাউজেল শন্দোকখি।

সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (এস দি এস এ)গা খূৎশম্নরগা সেনাপটিদসু কেম্পেইন অসি পাঙথোকখি। কেম্পেইন অসি মীয়ামদা খঙহনবদা মতেং ওইনবগীদমক এস এস এনা স্পোন্সর তৌদুনা নোকফদেগী স্ক্রিপ্ট রাইটর অমসুং দিরেক্টর থৌদাম রুহিনিকুমারগী মীৎয়েং মখাদা পুথোকপা ষ্ট্রিট প্লেসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা নম্বোল কৈথেল অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা পেলেস কম্পাউন্দদা ঙসি মীয়ামদা উৎখ্রে হায়রি।

চীংমৈরোংদা লৈবা টি আর আইগী ওদিটৌরিয়মদা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা এদুকেসন সেক্টরবু য়োকখৎপা পান্থা খ্বাই পূম্নমক্না শরুক য়াবিয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা পাউজেল্লি।

## কোরৌ সেনিটরি পেদস হৌদোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা মোইদাংপোক্তা লৈবা এম এস সো ইন্টরপ্রাইজগী কোরৌ সেনিটরি পেদস হয়েং ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবদা মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালগী ওদিটৌরিয়মদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা হৌদোক্লগনি। থৌরম অদুদা লোক সভাগী মেম্বর ওইরম্বা ডা. থোকচোম মৈন্য, মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱুমেনগী চিয়ারপার্সন ওইরম্বা ডা. সিঐচ জামিনি দেবী, দি এম কলেজ ওফ আর্টস ইম্ফালগী প্রিন্সিপাল ডা. সিঐচ সিলারমনি, ৱুমেন এগেনষ্ট ক্রাইমগী সেক্রেটরী এ রোবিতা লৈমা অমসুং সো ইন্টরপ্রাইজগী প্রোপ্রাইটর য়েংখোম ওজিৎনা মথংশিৎনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং ইকায় খুম্নবা মীথুংশিং ওইগনি।

## তেরা খোংশাংবিদা হার অমদি স্প্রেয়র য়েন্থোকখ্রে

বিষ্ণুপুর, জুলাই ০৪ (এস এন এস)ঃ

সোসিয়েল ৱার্কর থোঙাম শান্তি সিংহনা মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্টগী জেনরেল সেক্রেটরী মাইরেম্বম উতমকুমার য়াওনা মরু ওইবা ফ্রন্ট অসিগী থৌমী অমসুং মেম্বরশিংনা কেন্দ্র অসিগী মনুংচনবা তেরা খোংশাংবি জি পিগী তেরা খোংশাংবি ফার্মরস কোওপরেটিভ সোসাইটি মেম্বর লৌমীশিংদা কুমসি চহীগী দরকার ওইবা য়ুরিয়া হার বেগ ১০০ অমসুং স্প্রেয়র ৫ য়েন্থোকখ্রে।




সোসিয়েল ৱার্কর থোঙাম শান্তি সিংহনা ফোঙদোরকখিবদি লৌমীশিংগী দরকার ওইরিবা য়ুরিয়া হার গর্ভর্ণমেন্টনা লেপ্পা মমলদা ফংহনবা অমসুং স্প্রেয়রশিং অসিনা মহাক্কী মায়কৈদগী মতেং পাংবনি। চীঙাক্তা অমদি পুক্কৈদা মীপান তাংদবা লমদম অমা ওইরক্লবগী মীৎয়েংদা লৌমীশিংগী মতেং মখা তানা পাংখিগনি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহ অমসুং ৱাটর রিছোর্সেস মিনিষ্টর লেটপাউ হাওকিপকী পূক্নিং চিংশিল্লদুনা হৌজিক লো কেনেলদা লোক্তাক্তগী ঈশিং চিংখৎতুনা লৌফমশিংদা থারিবা অসি মোইরাং কেন্দ্রগী ওইনদি খুদোংচাবা ফংদ্রি। অদুনা অথুবা মতমদা য়েংশিনবিয়ু হায়খি।

লৌফমশিংদা ঈশিং মরাং কায়না ফংহল্লবদি লৌমীশিংগী অৱাবা খরমখৈ কোক্কনি হায়রদুনা মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্টকী ওফিসতা ঙরাংদগী হৌনা অহোংবা মমলদা য়ুরিয়া হার লৌমীশিংদা ফংহনবা হৌরে হায়না টি ঐচ শান্তি সিংহনা ফোঙদোকখি।

## তখেলগী নলগারিয়াদা লমতু শেংদোকখ্রে

অগরটলা, জুলাই ০৪ (এস এন এস)ঃ

তখেল লৈমা তেঙবাং লূপ নলগারিয়া ট্রিপুরানা শীন্দুনা শ্রীশ্রী রাধামাধব লাইশঙ অমসুং মান্দবকী অকোয়বদা ঙরাং ইমা ইবেনশিংনা লম তু শেংদোকখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, তখেলগী শক্লাইরবী লৈখিদ্রবী মহারানী তুলসিবতি দেবীনা লিংখৎপীরম্বা নলগারিয়াদা লৈবা শ্রীশ্রী রাধা মাধব লাইশঙ অমদি মান্দবকী অকোয়বা মফমশিং ইমা ইবেনশিংনা শিৎতোক চামথোকখিবনি। মদুদা নলগারিয়াদা লৈবা য়ুমথোঙ খূদিংগী ইমা ইবেলশিংনা শরুক য়াখি হায়রি।

## বেগ অমদি টি–সার্ট য়েন্থোকখ্রে

মোরে, জুলাই ০৪ (এস এন এস)ঃ

হ্যুমেনিজম ফাউন্দেসন অমদি ৪৩ অসাম রাইফলসনা পূন্না শীন্দুনা পি এম কে ভি ৱাইগী মখাদা থা অহুম চত্থরকখিবা মল্টি স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিংদা শরুক য়াখিবা নুপা নুপী ৬০০ রোমদা ৪৩ এ আরগী কম্মান্দেন্ট সুমিট সুদনা বেগ অমদি টি সার্ট য়েন্থোকখ্রে। তোঙান তোঙানবা কাঙলূপকী মহৈরোয়শিং য়াওনা ট্রেনিং অদুদা শরুক য়াখিবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ট্রেনিং অসিগী কান্নবা লৌদুনা তুংদা অফবা মীওই অমমম ওইবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবসু ফোঙদোকখি হায়রি।

# এম জি এন আর ই জি এস মাঙহন্নবা হোৎনবিগনু ঃ এম এস পি পি

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (এস এন এস)ঃ

খুঙ্গং লম চাউখৎনবা অমদি শেমগৎ শাগৎনবা হোৎনবদা চাউনা থৌদাং লৌরিবা মহাত্মা গান্ধী নেস্নেল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট জেনরেসন স্কিম (এম জি এন আর ই জি এস) মাঙহন্নবা নৎত্রগা মুত্থৎনবা কনাগুম্বনা শীনবিগনু হায়না মণিপুর ষ্টেট পঞ্চায়ট পরিষদ (এম এস পি পি)না আপিলতৌরি।

এম এস পি পিগী জেনরেল সেক্রেটরী এন যাদুমনি সিংহনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, স্কিম অসিগী গাইদ লাইনগী মতুং ইন্না মেটরিয়েল কম্পোনেন্ট অমসুং ৱেজ কম্পোনেন্ট হায়না শরুক ২ থোক্না খায়দোকই। মেটরিয়েল কম্পো– নেন্টনা ভেন্দর একাউন্ট অদুগা ৱেজ কম্পোনেন্টনা জোব কার্দ হোল্ডর– শিংগী মশা মশাগী একাউন্টদা হাকথেংননা হাপচিল্লকপনা জিল্লা পরিষদ মেম্বর, প্রধান অমসুং ৱার্দ মেম্বরশিংনা জোব কার্দ হোল্ডর মশা খঙহন্দনা খূৎশুমন মৎপগী খুদোংচাবা লৈতে। অসিগীসু মথক্তা মতম মতমগী ওইনা সোসিয়েল ওদিট তৌরি, হৌজিকসু চত্থরি। অদুনা স্কিম অসিগী মখাদা থবক খূদিংমক সিটিজন ইনফোর্মেসন বোর্দতা ময়েক শেংনা উত্তুনসু লৈরিবনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# অরোং কাংজৈবুং অমদি পি ঐচ সিদা উ চারা ৫০০ রোম থাখ্রে

ককচিং, জুলাই ০৪ (এস এন এস)ঃ

অরোং কাংজৈবুং দিভলপমেন্ট কম্মিটি, অরোং দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন অমসুং য়ুথ য়ুনিয়ন ক্লব অরোং খুঞ্জাওনা দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার থৌবাল, রেঞ্জ ওফিসার ককচিং অমসুং বিট ওফিস ৱাইখোংগা খূৎশম্নরগা অনীরকশুবা ওইনা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা অরোং কাংজৈবুং অমদি প্রাইমারি হেলথ সেন্টর অরোং খুঞ্জাওগী অকোয়বদা উ চারা ৫০০ রোম থাখ্রে।

চৎলিবা থা অসিগী ১ দা হৌদোকখিবা গ্রিন হিয়াংলম কেন্দ্র কেম্পেইনগী মনুং চন্না ঙসি উ চারা থাখিবা অদুদা দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজন দেবলা লাইফ্রাকপম আই এফ এসসু শরুক য়াখি হায়রি।

# বি এ / বি সাইন্স ওনরস সিক্স সেমিষ্টর এগজামগী ফল লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা লৌবা বি এ / বি সাইন্স ওনরস সিক্স সেমিষ্টর এগজামিনেসন ২০১৯ (মে)গী ইংলিস, দিফেন্স ষ্টদি, কম্প্যুটর সাইন্স, ষ্টেটিষ্টিক্স (সাইন্স) অমসুং ফিজিকেল এদুকেসনগী ফল ঙসি লাউথোকখ্রে।

এম য়ুগী চেরোল অমদা হায়, এগজাম অসিগী ফল এম য়ুগী ৱেবসাইট নৎত্রগা য়ুনিভর্সিটি গেট অমদি এগজামিনেসন সেক্সনদগী খঙবা য়াগনি। মমাঙদা বেঙ্গোলি, বাইওকেমিষ্ট্রি, এনভাইরোনমেন্টেল সাইন্স, জিওগ্রাফি (সাইন্স), জিওলোজি, হিন্দী, পোলিটিকেল সাইন্স, হিষ্ট্রি, এদুকেসন, জিওগ্রাফি (আর্টস)কী ফল লাউথোকখ্রবনি হায়রি।

# এ আরনা মফম কয়াদা উ চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (এস এন এস)ঃ

আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসকী তোঙান তোঙানবা সেক্টরগী এরিয়াদা ঙসি বন মহটসবকা মরী লৈননা উ চারা কয়া থাখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ)কী চেরোলনা হায়, ২৬ সেক্টর অসাম রাইফলসকী মোরে বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা ঙসি ন্যু মোরেদা লৈবা সেন্ট জোস স্কুল কমপ্লেক্সতা তোঙান তোঙানবা মখলগী উ চারা ২৫০ রোম থাখ্রে। উ চারা থাবা অদুদা ওঝা ১০ অমসুং স্কুলগী মহৈরোয় ২০০ রোম্না শরুক য়াখি। মোরে বট্টালিয়ন অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট সুমিট সুদ অমসুং টাউন কম্মান্দর আর কে শর্ম্মাসু উ চারা থাখিবা অদুদা য়াওখি। কম্মান্দেন্ট সুমিট সুদনা মহৈরোয়শিংদা উ থাবগী কান্নবশিং অদু নীংথিনা খঙহনবগা লোয়ননা ঙসি থারিবা উ চারাশিং অসি ইশা ইশাগীনি খন্দুনা মতম লৈবা খিবিক্তা মপূং মরৈ ফানবা হোৎনবা তঙাইফদে হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকখি।

নাইন সেক্টর অসাম রাইফলসকী থৌবাল বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা ঙসি চরাংপাৎ ভিল্লেজদসু উ চারা কয়া থাখি। গো গ্রিন ইনিসিয়েটিভকী মখাদা থৌবাল কম্পনি ওপরেটিং বেজনা শীন্দুনা উ চারা থাখিবা অদুদা লমদম অদুগী মীয়াম অমদি অঙাংশিংদা তুংগী মীরোলগীদমক মহৌশাগী লন নীংথিনা ঙাক শেনবগী তঙাইফদবা অদু ফোঙদোকখি।

কম্পনি কম্মান্দরনা উমং কোকথোকপা অমসুং গ্লোবেল ৱার্মিংগী মতাংদা লেকচর পীখি হায়রি।

# রূপমহলনা কৎপা নীলমনি নীংশিং মনা থানিললৈমদা লান্থোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (এস এন এস)ঃ

রূপমহল থিয়েটর ইম্ফালগী শঙলেন শঙ্গাখিবা ৭২ শুবা নীংশিং নুমিৎ থা অসিগী ৭ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা পাঙথোকপগা লোয়ননা রূপমহলনা চহী খূদিংগী পীবা হৱাইবম নীলমনি নীংশিং মনা চহী অসিগী ওইনা মণিপুরী থিয়েটর চাউখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মীয়াম্না শকখঙনরবী ডা. সনাবম থানিললৈমদা লান্থোক্লগনি। মনা অসি হন্দক্কী অসিনা ১৩ রক শুবা ওইনা লান্থোক্কদবনি।

মনা অসিদা রূপমহলগী অভিনন্দন পত্র ১, সাল ১ অমসুং শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০ য়াওরি। ডা. থানিল লৈমা খেঞ্জোংলাংগী দাইরেক্টর ওইনা থিয়েটরগী লমদা চাউনা থৌদাং লৌরিবা নুপীলক্তগী শক্লাইরবী অমনি। থৌরম অসিদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট আই এস কাংজমনা অথোইবা লেঙবিরকপা অদুগা রূপমহলগী চিয়ারমেন কৈশাম হেরামনি সিংহনা থৌরম মপু ওইগনি। থানিললৈমনা দিরেক্সন পীবা খেঞ্জোংলাংগী লীলা 'মীরাইরুরবী' উৎকনি হায়রি।

# সনসিল্ক মেগা মিস নোর্থ ইষ্ট ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (এস এন এস)ঃ

মেগা ইন্টরটেনমেন্ট গুৱাহাটিনা শীন্দুনা ১৭ শুবা এদিসনগী সনসিল্ক মেগা মিস নোর্থইষ্ট ২০১৯ অমসুং ১০ শুবা এদিসনগী গর্নিয়র মেন মেগা মিষ্টর নোর্থ ইষ্ট ২০১৯ থা অসিগী ৬ লাক্লিবা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবদা ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকাইদা লৈবা হোটেল ভৈগোদা পাঙথোক্কদৌরি।

মেগা ইন্টরটেনমেন্ট গুৱাহাটিগী ষ্টেট দিরেক্টর কবিতা কৈশামনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, থৌরম অসিদা লমদম অসিগী মীয়াম্না শরুক য়াবিদুনা হৈথোই শিংথোইবা নহাশিংবু পূক্নিং থৌগৎপিয়ু।

# জিরিবামগী মফম কয়াদা কাং চিংনখ্রে




ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (এস এন এস)ঃ

জগৎকী মপু শ্রীশ্রী জগনাথ মচন্নুপী সুবদ্রা অমসুং ময়াম্বা বলভদ্রগী কাং চিংবগী থৌরম ঙসি জিরিবামগী তোঙান তোঙানবা লৈকাইশিংদা পাঙথোক্লখ্রে।

হিন্দু লাইনীং চৎপশিংগী মরু ওইবা লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা কুম্মৈগী মনুংদা অমা ওইরিবা শ্রীশ্রী জগনাথকী কাং চিংবগী থৌরম অসি অয়ুক্তগী হৌনা পুজানচিংবা তৌদুনা উৎসব কৎখি। অদুগা নুংথিলগী মতমদা কাং চিংদুনা চহী অসিদা অনা অয়েক য়াওদবা, নুংঙাই য়াইফনা নুংশি চান্ননা ইংনা চিক্লা লৈমিন্নবা ওইরসনু হায়নসু ফোঙদোক্লি। মরু ওইনা কালিনগর, দিবোং, চিংদোং লৈকাই য়াওনা মফম কয়াদা কাং চিংবগী থৌরম পাঙথোকখি। য়ুমথোঙ কয়ানা ঙমজ ঙমজবা হৈ লৈ পুথোক্তুনা ঈশ্বরগী সেবা ফংনখি হায়রি।

# গ্রিন মণিপুর হায়বসিদা সাইকল রেল্লি চৎখ্রে

ককচিং, জুলাই ০৪ (এস এন এস)ঃ

গ্রিন মণিপুর হায়বা থিমদা খা মণিপুর কলেজ ককচিংগী এন সি সি য়ুনিটনা শীন্দুনা ঙসি অয়ুক কলেজ অসিগী কেম্পসতগী চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা পুরুম তম্পাক ফাওবা সাইকল রেল্লি চৎখ্রে।

ঐখোয়গী অকোয়বগী ফিভম ফনা থম্নবা, ঈশিং নুংশিৎ, নোংজু নুংশাগী খল কায়হন্দনবা উ ৱা মরাং কায়না থাজিল্লসি হায়বা পাউজেল পুদুনা চৎখিবা সাইকল রেল্লি অদু এন সি সি ওফিসার ওইরম্বা লেফটিনেন্ট ৱাই রাজু সিংহনা খা মণিপুর কলেজ কেম্পসতগী লমথাখি।

সাইকল রেল্লি অদু ককচিং ফাওদুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী পুরুম তম্পাক ফাওবা চৎখি অমসুং মফম অদুদা লম তু শেংদোকপগা লোয়ননা উ চারা কয়াসু থাখি। সাইকল রেল্লি অমসুং উ চারা থাবা অদুদা খা মণিপুর কলেজগী প্রিন্সিপাল পি রঘু সিংহ, ১৪ মণিপুর বট্টালিয়ন এন সি সি ইম্ফালগী কেয়র টেক্কর ওফিসার ডা. এন সুন্দরলাল, কলেজ অসিগী এন সি সি নুপীমচা ১৩, নুপামচা ৩৬ পূন্না কেদেট ৪৯ শরুক য়াখি হায়রি।

# এমসু পুখাও ব্রাঞ্চকী থৌমীশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা এমসু পুখাও ব্রাঞ্চকী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে।

এমসু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরী অঙোম সুরঞ্জিৎনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট সঞ্জোয় মংশাতাবম, ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী মহেশ্বর তখেল্লম্বম য়াওনা এমসু হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকখিবা খন্ন–নৈনবগী মীফম্না পুখাও ব্রাঞ্চকী ২০১৯–২১ সেসনগী থৌ পুগদবশিং নৌনা খনখিবনি।

পূন্না মহৈরোয় ১৭ না মেম্বর ওইদুনা শেমখিবা ব্রাঞ্চ অসিগী খনখ্রবা থৌ পুগদবশিং অদুদি নিঙোম্বম খেলেন সিংহ প্রসিদেন্ট, খুম্বোংময়ুম নরেন্দ্র ভাইস প্রসিদেন্ট, গুরুময়ুম ওজিৎ জেনরেল সেক্রেটরী, হৈক্রুজম রাকেস ফাইনান্স সেক্রেটরীনি। মীফম অদুনা মখা তানা এদুকেসন সেক্টরদা হেন্না মীৎয়েং চঙদুনা মতিং লৈবা মহৈরোয়শিং পুথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি অমদি মতম মতমগী ওইবা খুন্নাই অসিদা শীংনরকপশিংগী মায়োক্তা লেপকনি হায়না ৱারেপ্পখি হায়রি।

## ঙসিগী রাষি ফল (০৫–০৭–২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** শোক্কনবা, শাওনবা, খৎননিংবা মতম্নি। তপথবা ফগনি। গারী তপ্না থৌগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ১,২ ফগনি, ৩ ফত্তে।

**বৃষঃ** চরক চহিং নাইবা, খৎনবা মতম্নি। খল্লুদবা, পামদবা থেংনরগনি। শেল হেন্না চৎপা, য়েক্নবা হেনগৎপা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ৩ ফত্তে, ৪ ফগনি, ৫ ফত্তে।

**মিথুনঃ** শাওনবা, অরানবা তাহনবা মতম্নি। তিন্নবশিংদগী চেকশিল্লু। খুদক্তা থোকপা পামদবা মায়োক্নরগনি। ইমুংদা তোখাই তাগনগনি। নক্ষত্র ৫ ফত্তে, ৬ ফগনি, ৭ ফত্তে।

**কর্কটঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা চানবিবা মতম্নি। লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৭ ফত্তে, ৮, ৯ অফবনি।

**সিংহঃ** শোক্কনবা, কোক শাবা, মীনা য়েংথিবা মতম্নি। শেল চৎপা মতম্নি। হকচাং ৱাখল চাং অমদা লৈরগনি। ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিরগনি। নক্ষত্র ১০, ১১ ফগনি, ১২ ফত্তে।

**কন্যাঃ** অকনবা ৱা হায়দবা ফগনি। য়েক্নবা হেনগৎলগনি। পোৎ লৈবদি য়াগনি। শোক্কনবা মতম্নি। লম চৎপা, মী তিন্নবা হৈশিংউ। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১২ ফত্তে, ১৩ ফগনি, ১৪ ফত্তে।

**তুলাঃ** চয়েৎনবা, কোক শাবা, মীনা য়েংশিনবা, ৱা ঙাংবদা হৈ শিংউ। মীচঙ শোন্থবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৪ ফত্তে, ১৫ ফগনি, ১৬ ফত্তে।

**বৃশ্চিকঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা, অচৌবশিংনা চানবিবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১৬ ফত্তে, ১৭,১৮ অফবনি।

**ধনুঃ** শোক্কনবা, খৎনবা, অরানবা তাবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবশিংনা চানবিরগনি। লম চৎপা চেকশিল্লু। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৯, ২০ ফগনি, ২১ ফত্তে।

**মকরঃ** খৎনবা, শাওনবা, কোক শাবা মতম্নি। অচুম্বদা অরানবা তাগনগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। লুচিংবা ওইরুগনু। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২১ ফত্তে, ২২ ফগনি, ২৩ ফত্তে।

**কুম্ভঃ** চরক চহিং নাইবা মরক্তা অরুবদি পাঙথোক্লগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি হৈ শিংউ। অচৌবনা চানবিরগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৩ ফত্তে, ২৪ ফগনি, ২৫ ফত্তে।

**মীনঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২৫ ফত্তে, ২৬,২৭ অফবনি।




